

"কনানা হায়বগে নহাকপু ইমা!
অপঙবী অশোনবী? মণিপুর মণিপুর
ঐহাক্কী মণিপুর!"

- এলাংবম নীলকান্ত (চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)

# শৈরেং

## নেতাশিংগী শকলোন

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লোৎতুনা থম্লুরবা
মল্লবা অপুন্বা কয়া
অমুক শাফোঙলক্লে,
লৈহী চেনবা লৈশক
অমা ওইনা
ওইদা পাদবা কয়া
লৈচল ওইনা লেঙলদুনা।
নোংমতসু ইনাক্তা লাক্তুনা
কনাদসু করিসু হায়রখিদ্রবা
ঙসিদি খোইরেল মসা পাইরদুনা
লৈকোল খুদিং চংদুনা
লৈকা খুদিং হাইদোক্তুনা
লৈহীতবু পাম্লুরি।
ওইজবা ফংনবা থিবদা
ইকায় ইকি ৱাংম লান্না,
লৈখোক লোইরবা
লৈরাংদগী হৌরদুনা
তনৌ-তনৌ পোমশাৎনরক্লিবা
লৈরাং অদু য়ৌনা
থিরিনে নঙনা ওইজবা।

## পোকখিবা কুইদ্রিবা

—এম নিলাকুমারি

পোকখিবদি কুইখিদ্রি
অদুঙৈগী মতমনি,
ফিরাল চিংখৎপা মখোঙদা য়েংথ-য়েংথ
চেঙ-হৱাই অদু অদা ময়াম অমা
হঙ্গাম কোবী মনা মশিং
মীয়ামগী লৈঙাক্কী মীয়াম্না কাজবা অথেনপোৎ
পূন্নমক পুদুনা দিল্লি সহরদা চৎলবোই
নয়ূম নকৈ থাদোক্তুনা
ককচেংনা চিনি থিবগুম
অঙাংনা ফুরিৎ খোঙগ্রাও মুন্নবগুম।
লৈনাংনা পন্থীংলম্লবা
পল নিংখায়রে-কনবিগদবা ঙাকপীগদবা কদায়
চিনগী লান খূৎকী ৱাখলগী লান
লানগী লান ঙাক্তনি ঙমখৈগী লমখৈগী
মহে লোইশঙগী পাউমীগী জর্নেলিজমগী
অম্মম অঙানগী লম্বীদা
মীৎতাংবা ফাওবা চৈশুগী মতেংনা লম্বী চৎলি
অশিংবা অহৈবা কয়াসে
মীয়াম্না খঙনরবা অফোংবা অরোৎপনি
হায়মনবা ওইরগদ্রা?
লৈবাক ঙাক্লবা লান্মী পূন্নমক
চেন্নখ্রে চেন্নখ্রে সনা লৈবাক মণিপুর
মীয়ামগী সাসন মীয়ামগী মীহুৎ।

## তাঞ্জা চারিঙৈ

—রাজেন্দ্র সারুংবা

নীংঙবদি পাঙথোকউ
তাঞ্জা চারিঙৈ মতমদা
মীনসু য়ারিঙৈ লাইনসু য়ারিঙৈ।
অফবদি সৎ সৎ
ফত্তবনা য়ৈথোক য়ৈশিন।
অমুক হন্না লাক্ত্রবদি তাঞ্জাদো
ঙাইবা কল্লু লুন্বা কল্লু
মুন্দুনা লৌহৌ নুপা থোকউ।
অফবগী অশোনবগী
শরুক ৱাৎলবা মতমনি।
ঙসিগী সংসারসিদি
মতা অমনি কাউগনু
মীশোন পুকফবা লৈবদা
হিংবা ৱারবা মতমনি।
তনগনু লেপকনু তোক্কনু
নীংঙবদি পাঙথোকউ
নীংঙিঙৈদা পাঙথোকউ।
তাঞ্জা চারিঙৈদা পাঙথোকউ।

## মতেং

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

থাজগী মঙাল নীংথিবা
মালেমগী মতেং লৌবনি।
খুন্নাইগী মতেং য়াওদা
ঐখক হিংবা য়ারোই।
মালেমগী মতেং ফংলবা
চাওখৎপা লমদম ওইগনি।

## কাউঙমদ্রবা জুন থা

—বি মঙাং

নীংশিংলকই জুন ১৮
কুমজা ২০০১গী মীয়ামগী ঈহৌ
কাউররোইদবা অমম্বা নুমিৎ
নীংশিংদুনা লৈহৌরনি তাইবঙসিদা
জুন ১৮গী মীয়ামগী ঈহৌ
হৌনরুবা তৌদনা হৌরকখিবা
থৌনা ফবশিংগী শুথাং
ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্কী
লূ তোংদা য়াওরিবা
মখোয়গী থৌনা লিংজেল
হৌজিক লেংদনা লৈরি
মায়কৈ সলাই খঙদনা
ইরৈপাক কন্দবা য়াদে খোল্লাউনা
মশীং থিঙমদ্রবা মীয়ামগী
থম্মোয়গী কল্লবা ঈহৌ
মরৈপাক নীংবগী মথৌনা
নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পগী
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়ানচে
কুমজা ২০০১ জুন ১৪গী চুক্তি
সিজ ফায়র ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট
ৱাহৈশিং অসিদগী হৌরকখিবা
খোইশাওনরবা মীয়ামগী ঈহৌ
ষ্টেট এসেমব্লি বিল্ডিং
তাঙ্গৌই ওলহনখিবা নুমিৎ
নীংশিংদুনা অদুম লৈহৌরনি।
বেঙ্কোক দিক্লারেসন ৱারোলনা
নাকল অমগী মীৎয়েংদা
লৈঙাক্লা হেন্না লুম্লা লৌখ্রবদি
চহী ২০০০গী পুৱারী লৈজরবা
নীংতম্লবা মণিপুর খোঙ্গাওনরম্লগা
কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩গী
ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিনা
কুমজা ২০০১গী ঈহৌ অমুক লাকহল্লগুমসি।

## মপুগী লীলা

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

চৈনানা মশীং খঙদ্রসু
থম্মোয়না মকুপ তাখ্রসু
ৱাবগী পন্দোম লোমখ্রসু
পিরাংনা লেপ্ত তাখ্রসু
ৱাকৎচরোই কনাদসু
চৈনানা পীরম্মী থৌনাসু
লুশিল্লক্ত্রে পুন্সিসিসু
মপুনা পীবিরকই মায় পাকপসু
থেংনরকই মীথোই মীহেন কয়াসু।
খঙলকই হিংবগী মহাওসু
খঙলকই পুন্সিগী ৱাহন্থোকসু
ঐবু ঐ ওইহনবগী থাগৎচরি তাইবঙ মপুবুসু।

## চৎখ্রবদা নহাক্লা

—সুশমিতা চুংখাম

থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা মহাক্লা
খাম্লুরগনু লম্বীদুদৈ মহাকপু
কায়রবা থম্মোয়গী মৈচাক্লা
চাকথেক্তুনা থাংখ্রবা খোঙথাংনি।
লাপখ্রবদা নফমদগী ঙসি
করিগী কৌদুনা কপ্পি
উৎলনু নুংশি শাবা নতৌ
ওক্লে মীনম্বগী চিরোল।
তাওজরুই ঈরাংগী নুংশিবদা
থওইবিখিদে অশেংবা নুংশিবা
ইরাক্লরগতা খঙলকই ঙসি
তামখ্রবা মহাক্কী মগুন।

## অহাঙবা নঙদি ঙাইখোকো

—সমরজিৎ লাংওনবা

য়ৌরক্লবদা ইয়ূম শঙ্গাইদা
পলেমগী মোমোন মীনোকসু উজরে
মকা লামলে অহোইননা
অফা-অপূন্নরম্বা পূন্বসু
নোংলিক ওইনা মাঙখরে
অকি-অখং কয়াসু
অচুম্বগী মকাদা চঙখ্রে
অচৌ অশাং কয়ানা
লান্মীদা লালুপ কাখ্রে
নুপী ওইবীগী পুন্সিবু
নমজা নমথেক্লবা কয়াদি
শরোই ঙারোই চাকথাক তমখ্রে
মীনুংশি খঙখিদ্রবা কয়ানা
লাইজ ইরোলনুংদা পুথখ্রে
কলক য়েংথিবা কয়াসু
অয়ো নাহে চনখ্রে
পুন্সি পাউখুম ফংলবসু
অহাঙবা নঙদি ঙাইখোকো।

## ফোন্দা

—লাইশ্রম শ্যামো

ফোন্না থৱায়নি
ফোন্না হকচাংনি
ফোন্দা লুপচবা
ফোন্দা ঙাওজবা
    ফোন্দা উন্নখিবা
    ফোন্দা খঙনখিবা
    ফোন্দা নুংশিনখিবা
    ফোন্দা কায়নবা।
ফোন্দা খন্থদবা
ফোন্দা অতোন্বী
ফোন্দা চবোক
ফোন্দা পিরাং
    ফোন্দা কৌথোকখিবা
    ফোন্দা চিকথনবা
    ফোন্দা পীথোক্লবা
    ফোন্দা হুন্দোক্লবা।
ফোন্দা তেংথাবা
ফোন্দা নিংঙমদবা
ফোন্দা ৱারৌবা।
    ফোন্দা কান্নবা
    ফোন্দা অমাঙবা
    ফোন্দা অরানবা
    ফোন্দা য়েক্লবা।

## অচানবা মনাই

—জিম্মি তোংব্রম

মপুনা চানবা মনাইনি ঐদি
মপুগী য়াকা য়েংলিবা,
ইফববু ওইরো, ফত্তববু ওইরো
মহাক্লা হায়বদুতনি ইনবা ঙমনবা হোৎনজরিবা।
    মহাক্লা হায়বনা অরোইবনি
    মহাক্কী থবক্লা থবক্লি।
মহাক্কী থৌইন্সি কয়া অমনশু
মী-া তারিবনি ঐগী থৌইনশিগুম।
কল্লিবনি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ কয়াশু,
মচু কয়ানা চুসল্লবা পুন্সি অসিনা।
অমুক -াংহন অমুক নেমহন,
শান্নরি মনিং তৌনা
হায়বা ইনবা
মপু নিংবা হুইগুম।
    ওইনিংখিবদি নত্তে ঐশু অশুম্না
    কীম্নদি মান্নরুগনি মখোয়গা
    থাবীরম্বা কৈরাক্লি মখোয়গীদি
    লৈকুৎ লৈরাইদা পোক্লুবনা
    থেংখ্রে নোং ঙানবা ঐগীদি।

# ঙাইহাক্কী লন-থুমগী মপুশিং

## (Small-Time Property Owners)

- রোবার্টো আর্লট

নুমিদাংদু, চাক তোক্লবা মতুং, য়ুফ্রাসিআনা মাগী নুপা, জোক্বিনদা পাউদু তম্মী :

- "নঙ খঙঙ্ব্রা? ঐনা খনবদদি থংনবা য়ূম অসিগী নুপা অসি মানা য়ূম শারিবা লাইরবা নুপাদুদগী পোৎ চৈ হূরাল্লগা পুরকপা মাল্লি।"

জোক্বিন্দু মাগী অহাপ্পা মিৎ নাকল অদোমদা চেপ্না মমিৎ শুক্লা মাগী নুপীদা য়েংলকই :

- "নঙনা করম হায়না খঙলিবা?"

- "অদুবুরো ঙসিদু মমশুক তৌরকপা তাঞ্জাদুদা মহাক হল্লকই, থেলা গাড়ী অমা পিক থন্না চেক মকুপ হাপ্তুনা, উদনবা বোড়ানা কূপশিন্দুনা ইনশিল্লকই।"

- "মদুবু ওইথোক্কদ্রনে?"

- "ঙরাংসুনি মানা সেগাদা য়েপ্তুনা টাইলস মপাক খরা পুরকপদু, বোড়া শেগায়বনা য়োমশিন্দুনা, ঐনা মচি খরা উহৌবনি।"

- "ও! অদুদি হূরাল্লকপা ওইরম্বসু য়াই।"

- "মান্নি হায়মী ... ঐ মুন্না খঙবনি, নোংমসু মানা থবক অতোপ্পা অমা শূরিঙৈদা অদুম তৌবনি। অহানবদদি মহাক ঙন্না হল্লক্কনি মাগী গাড়ীদু ইন্দুনা, অদুদগীদি মাগী থবক্তু লোইশিল্লকপা মতাংদদি সুম থেঙনা মম্লগা হল্লক্কনি, মাগী গাড়ীদু মতম পূন্বদা কূপশিন্দুনা। অদুনা মাদি হূরাল্লকপা পোৎখক্তনা মাগী থোঙনাও খন্নবা থাকল অমা চনবা কোন্নরম্লনি।"

ৱা কয়া ঙাঙগন্দবা জোক্বিন্না তপ্না খুম্লকই :

- "তৌসনু অদুম্না হূরাল্লগা কৈনো অমা শাব-খোৎপসি অরায়বা লম্বীনি, নঙসু তৌরোদনা মীনা কল্লরুবা।"

অদুদগী মতৈ-মনাওদু ৱা মখা তানদ্রে। চাক চাবসু তুমিন তুমিন চাখ্রে। জোক্বিন হায়বসি দলালী চাবগী থবক তৌবা নুপানি, ব্রোকরনি। লন-থুম য়াম্না লৈজদবা। অদুগা মমিৎ নাম্মসু অহাপ্পনি, অদুনা লেঙঙু য়াদ্রে।

অদুবু মাগী নুপী য়ুফ্রাসিআদু নুমিদাংগী থবক-ইনখাং লোইদুনা ফমুং চঙলকপদা, মৈ মুথৎ মুথৎনা মাগী নুপাদা ৱাদু মখা অমুক তারকই, মাগী নুপাদদি য়েংদনা, খোনদু খোনফম কায়রপ, অদুবু কায়দনবা শেন্সদুনা:

- "অদু য়ূম্বদুনা খঙলক্লদি কমদৌবা...।"

- "মহাক জেল চঙজরেদনা।" মমিৎ নাম্মতা পানবা মাগী নুপাগী অশম্বা পাউখুমনি। অদুম হিপথন-খ্রে, ৱা অমুক ঙাঙনখিদ্রে।

য়ূম্লোন্নবা অনীসি কয়া নুংশিনদে। অমগা অমগা লৌ তৌনদুদা লৈনৈ। মদুগী ৱাখলদু মথি হেক হেক ফোংলকই, মমুল ফারকই, হেক অমনা অমগী অশোয়বা উনবদা, হেক অমগী লাইবক থীবা থৌদোক অমা থোক্লকপদা। অমনা অমবু য়াইফ-মঙ্গল পীনবা নত্তে, শিরো, তুম্মো অসিদনি।

কোসমে হায়বা চেক শূবা নুপা অদুনা খল্লিবসিসু জোক্বিনগী মরল-মথুম মাঙ-তাক্লো অসিদনি। অদুবু মঙোন্দা হংদা হংজিল্লুরসু, করম্বা মখলগী দশা তাহন্নীংগে হায়না, মাগী য়ূমলোন্নবদুদা, মহাক খুমফম খঙজদে। করিগুম্বা মতাংদদি মসিদা শিখ্রো হায়নীংবনি। অদুবু তৌফম লাকফম খঙদবা খূৎশাউনি, মপুমদি থীৎপা। অদুনা মানা নীংবদু হেক থোক্লক্লগনা মানা হরাউজে।

অমরোমদনা, জোক্বিনদি নীংবগা তৌবগা মান্নবীনি। মানা পাম্মী, মাগী য়ূমলোন্নবদু, চেক শূবদু, পৈশানা মখ্বাং য়ৌনা পুথবা। মাগী মঙলান্দি মাগী য়ূমলোন্নবদু থাগী থীফম থোকপা পৈশাদু থীবা ঙমদবা, মখোয়নীগী লৈনরিবা য়ূম অনীদুগী লমদু শোৎলগা লৈমিন্নখিবনি নোংমতন্দা। থা থাগী চাং অমদা পৈশা থীগদবা। মদু থীবা ঙমদ্রবদি, মানা মমিৎতা উরকই, মাগী য়ূমলোন্নবগী লমদু শোয়দনা নিলাম লাউখিনি, চেক শূবদুগী লৈকোন দুদা নিলাম ওকপগী ফিরাল য়ুংলবনি, মদুদা মহাক পেনগনি। কমদৌই হায়না মহাক ময়া চিক্তুনা নোক্কনি, মাগী অহাপ্পা মমিৎ অদুসু লংবা হেনগৎকনি লাউথোকপদা, অফবা মিৎতুদগী হেন্না, ঙাইহাক লৈতনা কূপ্লিবা মাগী পাশিংদুগী মখাদা।

মখোয় অনীনা হেক তুক্কচনখিবসি থৌদোক অনীদগীনি। অহানবদুনা জোক্বিন্না মাগী লমদু লৈবা হাক্তক্তা। মানা লৈকাইনি হায়দুনা কোসমেদা মানা শাগে খল্লিবা য়ূমদুগী চাউরাকপা হিসাব অমতা হোৎপিয়ু হায়রুবনি। অদুম তৌনরবা মতুংদদি মাগী য়ূমদু শাবা মতমদনা অতোপ্পা চেক শূবা মীদা হেক শূহল্লুবনি।

অদুবু সুম য়ূমদু শাগৎলকপদদি মাগী য়ূমলোন্নবা কোসমেগী ফক্লাংদু তাংদবা য়াদবা মতাং হেক লাক্লে। শীংদুনা লৈরবা কোসমেনা ফক্লাং তাংবগী মমল পীয়ু হায়গৎলক্লে। মদুসু খ্বাইনা হায়নবা মমলদগী হেন্না। অদুবু জোক্বিন্না পিখিদে, শাউই। অদুনা চেক শূবা কোসমেনা লৈতবা তাঞ্জা য়েংলগা মাগী য়ূমথক্কী বিমদু হেক থাঙ্গৎলুরে মীগী ফক্লাং তাংদুনা, ঙাইহাক্কী ওইনা য়ূম্বী অনীনা শৌগৎতুনা। মাগী ৱাখলদা, কোসমেনা লাকপদদি থিংবা নংঙরোই, অদুম য়াজরনি অসিনি।

অদুবু চেক শূবদু হল্লকপদদি শাউবনা লোইরে। অদুবু কোর্টতা কেস তৌরুদৌসু কেসতা চঙখিবা পৈশানা হেন্দৌরে, ফংবা য়াবা পৈশানা ৱাত্তৌরে। অদুনা মহাক কেসমক্তি তৌরুদ্রে। (শাউবদি লোইরে, নুমিৎতুদগী জোক্বিনগী মাঙ-তাক্লবদা খনখ্রে।) অদুবু ৱাফমদু ৱাথোক সন্তাইননবা লৈরিবা জষ্টিশ ওফ পীস হায়বদুগী মাঙদা পুখৎলৈ। চহী অমা মখায় হৌখ্রে, কোসমেদু শুকথনা, শাউনীংনা মৈ হৌবখৈ, কোর্ট কারি, শেল চাগদৌগীদা তৌবা কেরানীশিং, হৌন-খঙদবা চম্প্রাসিশিং মরক্তুদা। সুম কুইরগা মহাক খঙলক্লে, পৈশা পীদবা য়ানবা শেমজি-শাজিল্লিবা ময়ামদু। থা কয়া মাগী কোক্তু অফবা খন্দ্রে, মাগী য়ূমলোন্নবদু হেক হাক্তোক্লিংলক্লে। অদুবু মহাক পঙজবনা, মী হাৎপা ঙম্বগী শক্তি লৈজদ্রে। অদুনা কাইনথংদদি মহাক মালেমসিদা অচুম্বা হায়বসি লৈত্রবোই নীংলে, অদুনা অপীবা খরা লৌরগা অদুম তোক্লে। অদুম্না মতম খরা হৌখ্রে, নুংশিনদবদি সুম হেনগৎলক্লে। অদুবু অহানবা চহীদা মী হাৎনীংবগী ৱাখল লৈরম্বা অদুমদি নেমথখ্রে। নেমথবা হায়রিসি মপান্থোংগীনি, নুংদদি মমুল ফাখ্রে, মহী থোক্তুনা শিংলি-নাউরি, শরূ-শয়াং লোইনা নোয়-পেনখ্রে, অদুনা মাগী মাগী থম্মোয়দদি, থৱায়দদি অকিবা ফংলবা থৌরাং লৈনখ্রে, অমগী অশোয়বদা অমগী হরাউবী ওইনখ্রে। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি পোকখায়নরক্কদৌরি।

অদুনা অহানবা থাঙ চেক শূবদুদগী থাঙ্গৎলক্লে, য়ূমলোন্নবদুগী নঙ্গলদা।

জোক্বিন্না কা অমা শাবগী মতাংদনি। মহাক্লা মদু শাবদা ম্যুনিসিপালিটিগী অয়াবা য়াওহৌদে, মানসু প্লান থাগৎহৌদে। অদুগী মহুত্তা মাগী খ্বাইদগী শোয়বনা লৈখাদু, ম্যুনিসিপালিটিগী বিল্ডিং ডাইজেষ্ট লাইরিক্তা হায়রিবা, য়োৎ থাদুনা লৈনুংদু হৈহৌদে।

মদু কোসমেনা খঙদোকখ্রে। জোক্বিনগী মিষ্ট্রি অদুগা হোটেলদা চা থকমিন্নবদা ৱারী শানবদা খঙহৌবনি। মানা খল্লি, ৱাফমদুনা চুম্লবদি য়াম্না থীনা লমদুগী ম্যুনিসিপালিটিগী নিয়ম থুগাইবনি। লনম খুন্বা য়ারে খন্দুনা ম্যুনিসিপালিটিদা তাক্লুরে।

মথঙগী নুমিত্তা ইন্সপেক্টর অমা লাক্লে, ব্রোকর তৌবা নুপাদু ফাইন চাউনা থীবদা তারে। মদুসু চুম্না থীবা নত্তে, ইন্সপেক্টর অদুনা য়ৌরকপগা কাদুগী লৈমায়দু লোইনা তৌখায়রগা য়েংলিবনি য়োৎ য়াওনা লৈমায় হৈখিব্রা হায়না। ফজখ্রবা টাইল থারুরবা লৈমায়দু লোইনা থুগাইরে।

নুমিৎতু ব্রোকর অদু মাগী অহাপ্পা মমিৎ অদুফাও মপি তাখি। অমরোমদনা মাগী নুপী য়ুফ্রাসিআনদি মাগী নুপানা চেক শূবা নুপাদু খৎনবা ঙমদে হায়না শাউবনা লোইরে। অদুনা নুমিদাংদু ফমুং অমত্তদা মাগী নুপাগা হিপমিন্নদ্রে। মাগী তোঙান্না থারিবা ফমুং মচাদুদা হিপখ্রে, চৈবনে, ঙাঙবনে তৌরদুনা।

থা তরেৎ মতুংদনা চেক শূবদুনা শগোল গাড়ী অমগা অমগা শগোল অমগা লৈরুই। মাগী থবক শূবা মফমদুদা পোৎ চৈ হোন্নবা। অদুবু মাসু চেকশিলহৌদবদগী শগোল শঙদু শাবদা ম্যুনিসিপালগী পীরিবা নিয়ম ঙাক্লা শাহৌদ্রে। শোমদনা জোক্বিন্না মাগী য়ূমথক য়েংবগী মওংদা কাখৎখ্রগা কোসমেগী য়ূমথক্তা লানশিনখ্রে অদুগা শগোলশঙদুগী অশোয়বদু কূপ্না য়েংশিনখ্রে। মাসু চৎতুনা ইন্সপেক্টরদা তাকউরে। অদুনা নোংঙানবগা চেক শূবদু অমুক চাউনা ফাইন থীবদা তাখ্রে। ফাইন অদুগী মথক্তা শগোলশঙদু শীদোক্তুনা ইনৌ নৌনা অমুক শাবদা তাখ্রে। অদুনা মহাক ফাইন থীবনে, শগোলশঙ অমুক শাবনে, শগোলগা গাড়ীগা অনীগী মমলদুদগী হেন্না চঙখ্রে।

অদুবু অসুম্না খূৎলং লমনগী মওংদা আইনগী মতেং লৌদুনা চৈনা অমুক অমুক ফংনরবসু য়েংথীনবা, তুক্কচনবদি খজিক ফাওবা হন্থনদ্রে।

জোক্বিনদি চেক শূবদু হেক উবদা শাউনীংবনা মশাদু থক থক নীকই। অমদুগী মশক্তুনা তৌরিসু হেক য়েংবদা অকিবগী মশকনি, পীকই, মশা ফৈ, মরেংবান নমই, ক্রোক ক্রোক ওৎপা মমিৎ অনীদুসু মী উশিৎতবগী মীনোক, পেঞ্জবগী মওং ওইবা অশংবা মীৎ অনীনি। মখোলনি হায়দুনা তৌরিবদুনা শেৎতুনা ঙাঙলদুনা ষণগী মখোলমুক হৌই, অদুনা জোক্বিন্না মানা ঙাঙবা তাবদা নিক্লিবনি, অনা লোয়রিবনি। অদুবু মখোয়নী মায়োক্লন্দুনা ৱারী ৱাতাইদি অদুম শানরি।

করিগুম্বদা মখোয়নী শানবা ৱারীসি মমল খঙহেন হেনগৎলক্লিবা চেক্কী মমলগী মতাংদনি। নৎত্রগা অরিবা ৱারী ৱাতাইনি। মদুদা জোক্বিন্না মাগী চেক লিশীং অমখক নিংথমথাদা দরকার লৈবদগী পল্লকই :

- "মীনা হায়বদা চেকসি মতমদুদা লীশিংদা লুপা নিফু হেনগৎলনি হায়রি।"

- "নত্তে, নিফুমঙানি।"

- "মদুদি হেনমন্দ্রো। নঙবু খঙব্রা ? লীশিংদা তরা হেনবা। অদুম্না জোক্বিন্দু থা মরি লৈরগা লুপা মঙাদং হেন্না পীগদবা অদুগীদমক কোসমেগা পূং অমা য়ানীংদবা ফোঙদোকমিন্নদুনা লৈ, লৈবাক্কী আইনগী মায়োক্তা। মতাংদুদদি মখোয়নী মত মান্নরি, পোৎ মমল হেনগৎলবদি মখোয়নিমক লাইবক থীদৌবা মরম্না।

অরিকপা হায়রগা মখোয়নিমক হরাউজবীনি। মী অতৈগা মান্নদে, অশোয়বদু লোৎশিনবগী মহুত্তা উখে-ক্লবা হোৎনৈ মগুন অমগুম। পেনিদা চেকশিঞ্জবদু।

অদুবু জোক্বিন্না কোসমেদগী মমিৎ মনা শিংবা হেল্লি অমসুং ঙাঙবদা শেমজিন শাজিনবা ঙম্বা হেল্লি। অদুনা মখোয়নীগী লাইবক থীবগী ৱারী শানবদু, নাপলদি লোয়োলা ষ্ট্রিটকী স্লম পূন্নমক্কী মপু অমগুম ঙাঙলিবনি। অদুগা ৱারীদুদা নোংমদি মহাক শোয়দনা লন-থুম মপৈ অমগী মপু ওইরকখিনি হায়রি। মহাককী য়ূম অদু রোমান সিমেন্ট শীজিন্নদুনা তৈরকখিনি হায়রি।

অদুবু জোক্বিন মতোমতা চৈজবা অমখক্তি লৈ মদুদি মাগী মমু পান্দবা অসিনি।

অসুম্না মপান্থোংদা চান্নবা মাল্লসু, জোক্বিন্না চেক শূবদুগা ৱারী শানবা খুদিং মানা খঞ্জে, অশংবা মিৎ নহা পানবা নুপাদুগী লেঙহনবা ঙমদ্রবা থৱায় অমা য়াওরি। চাউখ্রবা হিংচাবা অমগুম লূম্লদুনা লৈরি, মদুনা কোসমেদু ৱাখল খন্থবা ঙমহন্দ্রি, মানা ঙাঙলি শক্লি পূন্বসি করিসু চঙলোই, নোকশিন্নবনি।

অদুনা মানা কোসমেগা মরৈ য়েৎনদ্রে, চেক শূবা অদুনা হায়রিখৈ য়ারে। অদুবু মাগী নুংদদি লোন্না শীংলি, শিংলি-নাউরি পূন্বা লেপখৎলকই, মদুনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ৱাখল মনুংদা মৈ চাকপদগী অঙাঙবা দাগ লৈবগুম অশোকপা ওনখি। মাগী ৱাখলনা কাকফৈগুম চৎলক্তুনা মী হাৎপগী অমোৎপা তাইবঙ অমদা চঙখি।

অমরোমদনা চেক শূবদুদি জোক্বিনদুগী মথক্তা মখূৎ ওইনা থাংশাং পায়দুনা চোংশিন্নিংলি। চোংশিনবদুসু মফম য়েংলে, মখোয়গী য়ূমগী নাকলদা খূৎনিংথেক অমা লৈশিল্লকপা মফমদুদা, অমোৎ-অকায় পৈরিবদুগী মরুমদা লোৎফম য়েংলে, ইলেক্ট্রিক বল্ব ঙাল্লিবদুগী মরুমদা লোৎলগা জোক্বিন্না লাকপা ঙাইরগা চোংশিল্লদি হায়না খল্লি।

অদুম্না খল্লিঙৈ, থবক্তু পাঙথোক্ত্রিঙৈ, মহাক্কী য়ূমদু মমল হন্থখ্রে। জোক্বিনগীদি য়োন্থোক্লবা তৌখ্রে, অরৈবা মীসু নোংমা লাক্লে। কোসমেনা অনেন্বা চেকপল মরুমদা ঙাঙনরিবদু তারুরে। অদুদগী মানা অরৈবা মীদুনা থোক্লকপা ঙাইরগা ইন্নরুরে, জোক্বিনগা কায়নখ্রবা মতুংদা মীদু মানা কৌরগা হায়খ্রে - "নঙনা লৈনবা হোৎনরিবা য়ূমদু য়োৎ নীংথিনা হাপখিদবনি, বিলাটিমাটি ইয়াও য়াওদনা শাখিবনি। ঐনা হায়রিবসি নঙগীদমকনি।"

য়ূম অনীসি তুক্কচনবা অসি নুপাশিংগীদা নৎত্রে। মাগী মাগী নুপীশিংনা হার হাপখ্রে, ভাইওলিন তারা শেন্বগুম সুর হাপখ্রে নোংমা নোংমগী। অমনা অমবু তুম্মসনু হায়না লাই নীংনখ্রে। অদুবু মপান্থোংদদি নুপী অনীদুসু ব্যবহার ফজনৈ, মোমোন নোক্লা ৱারী শানৈ, চিরোল তৌনৈ, চিনবান খোহী তৈনা ৱা ঙাঙনৈ। হেক উনবদা মোমোন নোক্লৈ, নুংশিনা কৌনৈ, "হোয়, মেদাম। নত্তে নত্তে, মিসেস। অসুম্না কৌই ব্রোকরগী নুপীদুদা অমদুনা। মরমদি মহাক্তি টুপী উপই, সিল্কগী খোঙ মোজা অশাংবী উপই। অদুনা মাবু নুপী অতৈ অচম্বা ফিজেৎ শেৎপী, নোংমতা মপান থোক্তুনা শম শেন্সুদ্রবী নুপীশিংনা মেদাম কৌই। মখোয় অনীগী য়ূমসি য়োৎলি তারাগী শম্বল অমতনা খনবনিনা অদুম কৌনৈ, নুংথিল চাকচা তোল্লগা, অমনা অমবু কৌদুনা থিনৈ, মথৌ ফন্না চিন্নরসু, ইংখোলদা চঙদুনা ককচেংনা চাথোক্লবা অদরগুলাপ হেকতোকপা, থবক অতৈ শূদৌবা লৈরসু। নৎত্রগা মতম হংজিন্নববু ওইরসু ৱারী কুইনা শাবা য়ানবা অদুম মতৌনৈ। মখোয় অনীগী ৱারীদা পুথোক্লে, কোয়লা মতুম য়োনবদুগী নুপীদুগী মরমদা, নৎত্রগা মথংগী সড়ক্তা ষ্ট্রীট কার অমা চেল্লনি হায়নবা অদুগী মরমদা, নৎত্রগা মখোয়নী অমনা অমদা থৱায় য়াওনা কম্পোজ করম শেমনি, পাম্বী করম্না মনা পেংনি হায়বগী পাউতাকসু পীনৈ।

নুপা অনীদুগী মরক্তা ওইথোক্লরোইদবা ঙাক্তনি নুপী অনীদুগী ৱারীদা য়াওরিদুদি। মদুনি কোসমেগী নুপীগা জোক্বিনগী নুপীগা মত মান্নজরিবা। মান্নবা হায়বু মেদাম য়ুফ্রোসিআগী ৱাঙাঙ ফাওবা মতৌ তল্লবনি, মোনোক নোক্লা ঙাঙবা, মরৈ কোন্দুনা ৱা ঙাঙবা, মচিনবান ওইথংবা মমিৎলোমদা পোমথোকপা পূন্বা। মদুদা কোসমেগী নুপীদুনা মঙক নোমদৌরিনি, ঙাঙলিবদু খঙঙে, খঙঙে হায়বগুম, খুঙ্গংগী লাইরিক হৈতবী নুপীগী মতৌমক্লি। খুঙ্গংগী নুপীদি মখোয়গী অপঙবদু কূপশিন্নবা খঙবা শাদুনা মঙক নোম্বা হৌনশানি। মসিগী মতৌসি পাক হেক উৎপা ঙম্বা নত্তে, মসিদা লৌশিং অমসুং তাৎ চঙই। ৱাখল খম থেংনা থাদগদৌরিবনি, খন্দুনা সুম লৈবসু য়াবা নত্তে, অদুবু কোসমেগী নুপীনদি ওন্থোক্লা লায়না পাঙথোকখ্রে।

অদুগা নুংদা ফুল্লিবা তুক্কচবা ৱাখলদুদি অমনা অমগী মায়দা হেক লংশিন্নদ্রি, ৱাখলদুনা মখোয়নীবু হেক হেক তোঙান তাহল্লি, অদুগা ৱারী ৱাতাইদনা মদু কূপশিল্লগা মওং অমদনি, য়েংথিনবা মানহন্দে, অঙাং মচানা, অৱাংবা মফমদা য়াম্না কিনা থোংনাউদা মঙক থিন্দোক্লবগুম্বা মওংনি।

সোমদনা জোক্বিনদি তূম্বা য়াদ্রে।

ইথা থাজদনা মাগী ৱাখলদা লাংতক্লবা মওং অমা খংলাক লাকখ্রে। মফম খঙদবা, ঙাইঙমদবা মওং, মাগী ঈগী ঈচেল য়াঙখৎলকপা মতৌ, স্বর চাউরকই তোয়না।

শম্না হায়রবদা মাগী পুন্সি খঙহৌদনা ওল্লে, অদুগী মথক্তা মাগী নুপীনা তূম্বা চঙলকপদা মাবু ৱাহং পাউহংদবা অদুসু ৱারৌখৎলক্লে। মদুদা খল্লুবদা মহাক ৱারে, মানা তাবদা মাগী নুপীগী মখোল ওল্লে মঙোন্দা, মহৌশাগা মান্নদবা উরে।

অদুম ফন্না শাউনীংলসু জোক্বিন লেঙদে, তুমিন হিপ্পি। অমম্বা মরক্তুদা মতমদি লেঙদ্রগুল্লে, মদু ঙাইবগী অৱাবদুনা ওইবা তাই, মশাগী অরূম্বফাওবা তঙ্খায় অমনা অমদগী হেন্না লূম্বা ওইনা খল্লক্লে। মদু মাগী ৱাখলগী চাং কায়রকপনা ওইবা তাই।

জোক্বিন মাগী ৱাখলদুদা অমুক য়েংনীংলুদ্রে, মরমদি মাগী মকোক হেক কাঙলুবদা মদুদা থেঙ্গাইদৌবা মাল্লক্লে। অদুনা মানা মমিৎ উইরুম উইরুম শট্টরগী কারক্তা সড়ক্তা য়েংথোকখি, সড়ক্কী মৈ ঙাল্লি, নুংশিৎসু শীৎলি। অদুবু মাদি লেঙবফাও ঙমদ্রে, অসুক্কী মতিক লেঙবা য়াদ্রে মদুদি মাগী নুপীনা কৌরকপদা খংদুনা চোংখৎলে। নুপীনা হংলকই :

- "করি তৌরগে, কৈদৌরগে নঙনা তূমদ্রিবু?"

নোংয়াই য়ৌরবনি, জোক্বিন্না তূমদনা লৈরম্লিবদু। অচিকপা অদু কা মনুংগী অমম্বা মরক্তুদদি অমুক্কা হেন্না চিকখ্রে, য়েৎতুম তাবফাও মখোল তাবগুম্লে, মপান্দগী ফক্লাং নমখায়দুনা ভুট প্রেৎ হেক চঙলক্তৌবা মাল্লে। ফীভমসি তশেংনা লুশিল্লক্লবনি।

জোক্বিন্না খল্লি, মাগী নুপী মোন ময়াদা ফল্লি, অদুবু মশক্তি লাকশিনবা ঙমদে, মরমদি অয়ূক নুংথিলদা অদুক ফজবা মশক্তু অমম্বা মরক্তুদা শরূদা ঙায়রবা, মনাতোন কাঙবা, তাইফেৎ তাইবা ওইনা উরে, শক্তমদুনা মাগী উনশা ফাওনা চঙখিদুনা মাগী ৱাখলগী অফ-ফত্ত খনবা ঙম্বা শক্তিদা চিল্লুরে।

(মখা লমায় ৭তা)

# রাগ দরবারী-১

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

**সিটিগী** মতাই। হেক হেন্দোরকপগা খুঙ্গংগী পাক চাউরবা লমহাং কয়া অমা উবা ফংই। মনাক নক্লা ট্রক অমা থাই। ট্রক অদু হেক উবগা খঙবা ঙম্মী, ট্রক অদু লৈরল্লিবা লম্বীশিংবু থৌদৎলগা, তকখায়রগা শোকহল্লগে হায়না শেল্লকপনি হায়বা। অচুম্বনা মায় পাকই হায়দুনি, ট্রক অসিগী মগুণ কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। পুলিসনা মায়কৈ অমরোমদগী য়েংবদা হায়বা ঙমই, ট্রক অসি লম্বী ময়ায়দা থাই হায়বা, অদুগা অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদগী দ্রাইভরনা য়েংবদনা লম্বী মতাইদা থাই হায়বা। চৎনরিবা ফেসনগী মতুংইন্না ট্রক অদুগী য়েৎথংবা থোঙ অদু উচেক্কী শাংলবা মসাগুম্না ফন্দোকহল্লি। মদুনা ট্রক অদু অমুক্কা হেন্না য়েংবদা ফজহনবা হায়বদু ওইরে। লোয়ননা ট্রক অসিনা খামদুনা হেক লৈরিবা মখৈ লম্বী অসি ফাওদুনা য়াঙনা থৌরকপা গাড়ীশিং লাকপা য়াই হায়বগী নুংশাথিবা অদুসু কোক্লে।

লম্বীদুগী অতোপ্পা মায়কৈরোমদা পেট্রোল পম্প অমসু লৈ, মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী থৌনা, মতিক ময়াইনা ঙমজনা শাজবা ফত্রবা পুমথরবা ই অমসুং টিন মচেৎ কয়ানা য়ানশিন্নরগা কুপ্পা অমসুং শুম চারবা য়ুম্বিগী মতেংনা লেপহন্দুনা থল্লিবা দুকান কয়া অমসু লৈ। অহানবা মীৎয়েংদা খঙবা ঙম্মী, দুকানশিং অদু মশীং থীবা ঙমলোই হায়বা। অদুবু মফমদুদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না থক্লবা, উফুল, অমোৎপা থাউ তৈরবা, কয়ারক হন্না শীজিন্নখ্রবা চা মনা অমসুং অশৌবা ঈশিংগী মতেংনা শেন্বা পোৎশক অমা। মফমদুদা হাউর-হাউরবা থুন্লবা অয়ুক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা নোংলৈ নুংশিৎ, কাং-হয়িংশিংনা লান্দরকপশিংদু থৌনা ফনা লান্থেংনরিবা মীথাই কয়া অমসু ফংই। মদুনা লমদম অসিগী শিন্মীশিংগী খূৎ-শা হৈবা অমদি সাইন্টিফিক ওইবগী হৈশিংবা অদু তাক্লি। মখোয়না তশেংনা উহল্লি, তাক্লি, মদুদি ঐখোয় অফবা রেজর-ব্লেট অমা করম্না শাবনো খঙদ্রবসু, ফত্রবা অরেন্বা পোৎশিংনা করম্না অহাউবা, অথুন্বা পোৎ অমা শেমগনি হায়বা মালেমদা শুপ্নগী ঐখোয় খক্তা খঙ-হৈ হায়বসি।

ট্রক দ্রাইভর অমদি ফত্ত হাওদি শেংদোকপা নুপাদুগা দুকান অমদা চা থকমিন্নরম্মি।

*রংগনাথ*না থাপ্না ট্রক অদু হেক উবগা খোঙথাঙ থুনা থাংবা হৌগৎলকই।

ঙসিদি রেলৱেনা মহাকপু লৌনম তৌবিরে। মফমদুগী পেসেঞ্জরশিং নুমিৎ খুদিংগী ট্রেন পুঙ ২ থেঙনা লাকপনি খন্না য়ূমদগী থোকচরকপনি অদুবু ঙসিদি শুপ্নগী পুং ১.৩০ খক থেঙনা লাক্লগা চৎ-খরম্লে। সাহিত্যগী লাইরিক্তা পেন্দবা ফোঙদোকপগুম পূক্নিংদা ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা, ৱাংলবা সাহিত্যগী ৱাহৈ কয়া মচিন্দা মুরুম-মুরুম শোল্লদুনা চৎনরিবা রেলৱেগী থৌওংবু অৱাংবা থাক্তা মহাক্লা থাগৎলি - রেলৱেদা থবক তৌবা মীশিংগী মীৎয়েংদা ফাগী তারদুনা তুম্মিন্না ষ্টেসনদগী থোক্লকই। লম্বীদা চৎনা-চৎনা ট্রক অদু হেকে উরকপদা পূন্নমক কাউথোক্লদুনা হরাউরদুনা মশা পূন্বা তেকখৎলক্তুনা খিং-খিং লাউরকই।

ট্রক মনাক হেক য়ৌরকপদা, ফত্ত-হাওদি শেংদোকপা নুপাদুগা দ্রাইভরগা চাগী লোইশিল্লকপা শরুক অদু হাউনা থক্তুনা লৈরম্মী। কোইয়েং-কোইয়েং য়েংলদুনা, মহাক্কী হরাউবা, নুংঙাইবা অদু লোৎশিল্লদুনা, মহাক্লা দ্রাইভরদুদা মওং মরীন তাদবী মওংদা হংলকই, দ্রাইভর ট্রক অসি *শিবপালগঞ্জ* রোমদা চৎকদ্রা?

দ্রাইভরদু চা থক্তুনা দুকান ফম্লিবি নুপিদুবুসু পেন্না য়েংজগে খনজরম্বনি। মহাক্লা থৌওইদনা হায়রকই - 'চৎকনি'।

দ্রাইভরদুনা দুকান ফম্লিবি নুপীদুগী মরমদা ওইথোকপা য়াবা শাগৎপা য়াবা, মঙলান কয়া শাগৎলবা মতুং তপ্না *রংগনাথ*কী মায়কৈরোমদা মমায় লৈথোকরকই। ও ! মহাক্কী ফীভমদো! খোঙদা খূৎনা তূবা পৈজামা, কোক্তা খূৎনা লোনবা টুপি, হকচাংদা খূৎনা তূবা কুর্টা, লেংবানদা য়াল্লিবা খাউ, খূৎতা শঙনগী স্যুটকেস। দ্রাইভরনা মহাকপু হেক উবদা মীৎফম হোংদনা য়েংই। করিগুম্বা খরা খল্লগা হায়রকই: 'ফম্বিরো ওজা, হৌজিক চৎলদবনি।'

ঙংলদুনা মখোল হৌনা ট্রক থৌবা হৌরকই। সিটিগী থেক্লা-খোয়রবা, ক্রক-ক্রক চোংবা লম্বীশিং লান্থোরক্তুনা মমাঙ খরা চৎলগা ফরবা অচিকপা লম্বী য়ৌরক্লে। দ্রাইভরনা অহানবা ওইনা টোপ গ্যার পানখৎলকই অদুবু তোয়না-তোয়না নান্থরক্তুনা ন্যুট্রেল দা তারকই। খরা থৌরবা মতুং হেক-হেক গ্যার নান্থরকই লোয়ননা এসিলের্টর নেৎশিনবনা ট্রক অদু ঙংলদুনা গাড়ী চেনবা হন্থরকই। *রংগনাথ*না হায়রকই, দ্রাইভর সাহব, নঙগী গ্যারসিদি তশেংনমক ঐখোয়গী লৈবাকসিগী পাল্লিবা লৈঙাকসিগা চপ হেক মান্নখ্রেদা।

দ্রাইভরনা নোক্লদুনা পীরক্লিবা থাগৎ-চে অদু য়ানিংনা লৌশিল্লি। *রংগনাথ*না মাগী ৱাদু ময়েক শেংনা হায়গে হোৎনদুনা হায়রকই, ফনা পান্দুনসু হন্না-হন্না টোপ গ্যারদা হাপলবসু, খরা-খরা হেক চৎলগা নান্থরকই অমদি হন্থরক্তুনা মাগী হান্নগী মফমদা হেক্তা তারকই।

দ্রাইভরদুনা নোক্লদুনা হায়রকই, সোমনা অৱাংবা থাক্কী ৱা তাকপিরে। *(মথং-মথং)*

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ